# লমদম অমা লৈবাক অমা

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

লমদম অমা লৈবাক অমা চাওখৎপা, চাওখত্তবা মফম অদুগী লুচিংবশিংগী ৱাখল্লোল, মথৌ তৌবা অমদি মরমদম্বু নুংশিবদা য়াম্না মখা পোল্লি। লমদম অদুগী লুচিংবশিংনা অফবা ৱাখল্লোল চেন্দ্রবা, মথৌ নিংথিনা তৌদ্রবা অমদি মরমদম্বু থম্মোয়নুংদগী তশেংনা নুংশিবা পোক্ত্রবা মখোয়না তৌথোরক্লিবা থবক পূম্নমক মীয়ামগী খন্দুনা তৌরক্লোই। মদুগী মহুত্তা মশা মশাগী কান্নবখক খল্লগা তৌরক্কনি। অসিগুম্বা লুচিংবনা মশীং য়াম্না হেন্না লৈবনা ঙসি ইরমদমনা মাঙদা চঙশিনবা ঙমদ্রিবা, অফবা খুন্নাই অমা পুরকপা ঙমদ্রিবনি। চহী ৭০ হেন্না ইন্দিয়াগী দিমোক্রেসিগী মখাদা লৈদুনসু। অসিগুম্বা শাশিন্নবা লুচিংবনা মশীং য়াম্না হেন্না লৈরকপনা ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাইনা অসুক শোত্থনা লৈরিবা অসিনি। অৱাং নোংপোক্কী লমদমশিংদা খ্বাইদগী হৈথোই শিংথোইবদা মকোক ওইরিবা লমদম অমা ওইরিবা ঐখোয়না করিগী খ্বাইদগী শোত্থবা ষ্টেট অমা ওইনা লৈরিবনো হায়বসি খঙমিন্নসি।

অৱাং নোংপোক লমদমশিং অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না ওলিম্পিয়ন পুথোক্লিবা ষ্টেট অমনা শেল থুমগী ফীভমদা, লম্বী থোং চাওখৎপদা খ্বাইদগী মনিংদা লৈবা হায়বসিবু হৌনব্রা। মালেমগী ওইনা য়েংবদা শান্ন-খোৎনবগী লম্দা মকোক মথং ওইরিবা লৈবাক কয়া, খুদম ওইনা পঞ্জরবদা - য়ু এস এ, চাইনা, য়ু কে, জর্মনি, ফ্রান্স, নেদরলেন্দ, জপান, কোরিয়ানচিংবা লৈবাকশিং অসিগী শেল-থুমগী অমদি চাওখৎপগী ফীভমদা য়েংবদা লোইনা মাঙ থানা চৎপনি। অদুবু ওলিম্পিয়ন খ্বাইদগী মশীং হেন্না পুথোক্লিবা ইরমদমদি ইন্দিয়াগী ওইনদি থমখিসি, অৱাং নোংপোক লমদমশিং অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী নেম্না, চাওখৎতনা লৈরি, শেল-থুমগী অমদি চাওখৎপগী ফীভমদা য়েংলুবদা। মসিনা তশেংনা তাক্লি মদুদি ঐখোয়গী লুচিংবশিং অসি শাশিন্নবা লুচিংবা ঙাক্তা ঙাইরে হায়বদো। সেন্টরনা থাদরকপা শেল মরম চানা শীজিন্নদুনা লমদম অসিবু চাওখৎনবা হোৎনবগী মহুত্তা ঐখোয় ইরমদমগী লুচিংবশিংদি মশা মশাগী য়ূম মথোল ৱাংনা শাগৎপা, লৌ-ইস্খোল য়াম্না লৈশিনবা, মচা-মশুশিং ফোরেন লৈবাকশিংদা মহৈ তম্বা থাবা, দুকান প্লোট লৈশিনবনচিংবনা মথৌ ওই লৈরে। অসিগুম্বা লুচিংবনা মশীং হেন্না মতম শাংনা লৈরকপনা ইরমদম কংলৈপাক অসি খ্বাইদগী মমৈদা লৈরিবা অসিনি। অসিগুম্বা লুচিংবশিং অসিনা লুচিংদুনা চৎলিবা মখৈ ইরমদম মাঙদা চঙশিনবা ঙমখিরোই।

ইরমদমবু মাঙদা পুশিনসি, চাওখৎহনসি হায়রবদি ঐখোয়গী হৌজিক লৈরিবা শাশিন্নবা লুচিংবশিং অসি শিন্দোকপা মথৌ য়াম্না তারে। মতাংসিদা পোলিটিকেল পার্টিগী থোইদোক্না খল্লুবগী মরু ওইদে মরমদি হায়রিবা লুচিংবশিং অসি মশা মশাগী খোঙফম লৈতে অমদি পার্টিগী আইদিওলোজি ঙাক্নসু চৎতে। মখোয় মশা মশাগী কান্নবা খন্দুনা চোঙথোক চোঙশিন তৌদুনা লৈরকপা লুচিংবনা অয়াম্বনি। অসিগুম্বা লুচিংবশিং অসিনা মতৌ করম্না ইরমদম অসিবু মাঙদা পুশিনবা ঙমগদৌরিবনো, ঙল্লোই। মরম অদুনা মখোয়বু শিন্দোকপা হায়বসি য়াম্না মথৌ তাই।

শিন্দোকপা হায়বসি মহুৎ শিনজিনবা মথৌ তাই। মখোয়গী মহুৎ শিনজিন্নবা মীওই লৈবরা হায়বগী ৱাহং অমুক লাক্লি। মদুগী পাউখুমদি য়াম্না লৈ হায়বসিনি। শেল লৌদবীদা, নমথাক তৌনদবীদা ভোট লেপহনসি, অফবা লুচিংবা ময়াম অমা থোরক্কনি, থোরকপসু হৌরে। হান্নগী অমোৎপতনা থল্লবা, মখোয়গী ঈ-তোংদা শেঞ্জা-থুমজাগী ৱাখলতনা লাইচুরবা লুচিংবশিং অসিগী মহুত্তা নৌনা চোংথোকচরক্লিবা লমদম অসিগী ফগদবা পোলিটিকেল কেন্দিদেটশিং খনগৎসি হন্দক লাক্লিবা ২০২২গী ইলেক্সন অসিদদি। পোলিটিক্সকী লম্দা মখোয় এক্সপরিএন্স লৈরমদবা য়াই অদুবু মদুনা মখোয়না অফবা লুচিংবা অমা ওইরকপদা অকায়বা করিসু লৈরোই। খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি এক্সপরিএন্সতু নত্তে তৌইগুম্বসুং মখোয়গী মরমদম্বু নুংশিজবা, মথৌ শেংনা তৌজনীংবা ৱাখল্লোন অদুনি। এক্সপরিএন্সতুদি অদুম লাক্কনি। এক্সপরিএন্স লৈবা এদভাইজর ময়াম অমসু লৈরি মখোয়বু মতেং পাংবীবা ঙম্বশিং।

করিগুম্বদা মীয়াম্না অসুম্না খন্নে মদুদি শেল য়াম্না পায়রবনিনা কেন্দিদেটতি শেল চানীংবগী ৱাখল লৈররোই অদুনা মহাক ওইনা ভোট কাহনসি কায়না। অদুবু ঐখোয়না নীংশিংগদবা অমনা শেল পায়বশিংসি অয়াম্বনা অরানবা মওংদা শেল পায়রকপনা অয়াম্বনি, কন্না হোৎনজদুনা শেল পায়রকপদি মশীং য়াম্না নেম্মী। অসুম্না অরানবা মওংদা শেল পায়রকপা মীওইশিংদি শেলদা য়াম্না অপেনবা লৈতবনি, য়াম্না লৌশিল্লিবমখৈ নুংঙাইজবনি। শেল পায়বা কাঙবুদগী শেল থোইদোক্না পায়জদবা কাঙলূপনা হেনবনে অৱা অনা তারবা মীওইশিংদা মতেং পাংবসু। শেল পায়বা কাঙলূপনা মতেং পাংবনা মখোয় মশা মশাগী কান্নবা ফংনবা মতেং পাংবা। মতেং পাংবগী মওংসু খেন্নবনি। মশানা কন্না হোৎনজদুনা শেল পায়রকপা কয়াদি অতোপ্পগী অৱা অনা খঙনা মতেং অদুম পাংবনি। অদুবু ইলেক্সন য়াওদুনা, থিকা তৌদুনা নৎত্রগা দ্রগ ললোন্দুনা ইনাক খুল্লকপা কাঙবুদুদি থবক কন্না শুদুনা তানবা শেলনা শেল পায়রকপা নত্তবনা শেলদা হেন্না মীতাবনি। অসিগুম্বা শেল পায়বশিং অসিদি পেনবা নাইদবনি। মখোয়সিনি এম এল এ, মিনিষ্টর ওইরক্লগা শেল চাবদা হালেংবা লৈত্রিবা। মরম অসিননি মখোয়বু শিন্দোকপা মথৌ য়াম্না তারিবসি। অদুবু অরায়বদি নত্তে মরমদি মীচম মীয়াম অয়াম্বনা মখোয়না ইলেক্সন ময়াদা শেল খরা খরা চাইথরকপা অদুদা ইশা ইশাগী মমল কাউথোকখিবনা। মসিনি খ্বাইদগী অচৌবা শেমদোকপা মথৌ তারিবা। শেল লৌদুনা ভোট থাদরিবা মখৈ অফবা লুচিংবা খনগৎপা ওইথোক্লোই।

অফবা, অচুম্বা, মরমদম্বু তশেংনা নুংশিবা, মথৌ চুম্না তৌগদবা লুচিংবা খন্দুনা ইরমদম খুন্নাই অসি মাঙদা পুশিনসি হায়রবদি ঐখোয় ইলেক্সনদা শেল লৌবগী অমদি পীবগী ঈরাং, হৈনবী অসি থাদোকপা অমদি থিংবা য়াম্না মথৌ তাই। মীখলদা মীরেপ্পুগী শেল লৌবগী চৎনবী অসিনা শেল পায়বা খক্তনা ভোট লেপ্পা ঙম্মী। অদুগা শেল পায়জদবা, লুচিংবা অমা ওইবদা য়াম্না মতিক চাবা মীরেপ কয়াদি ভোট লেপ্পা ঙম্নদে, লেপ্পবসু কাবা ঙমহন্দে মখোয়না মীয়ামদা শেল পীবা ঙমদবনা। ভোট কাবদি থম্বু থমখিসি ভোট লেপ্পা ফাওবা ঙমহন্দে মরু ওইনা অচৌবা পার্টিগী কেন্দিদেট ওইগে হায়রবদি। অচৌবা পার্টি অমদা কেন্দিদেট ওইগে হায়রবদি লুপা ক্রোর-ক্রোর পীনবগী চৎনবীসু লৈবনা। মরম অসিননি শেল লৌবগী অমদি শেল পীবগী চৎনবী অসি মুত্থৎপা য়াম্না মথৌ তারিবা। মসিগী হৈনবীসি হেক মুত্থৎখিবদা ঐখোয় ইরমদমদা অফবা লুচিংবা লৈরক্কনি অমদি ইরমদম মাঙদা চঙশিনবা ঙমগনি, অফবা, নুংঙাইবা, চাওখৎপা খুন্নাই অমা ওইরক্কনি। পূম্নমক অসি ঐখোয়গী খূত্তা লৈরে। তুংগী খন্দুনা, ইচা ইশুশিংগী খন্দুনা ঐখোয় ৱাখল তামিন্নরসি, ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা শেলদা মীহৌবগী হৈনবী থাদোক্লসি, য়াইফরে। ●

# লময়ানবা ইরাবতকী মন্দলে খোঙচৎ

**- ডা. এম নরা -**

নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভাগী ৩শুবা মীফম কুমজা ১৯৩৭কী ফেব্রুৱারী ২৮দগী মার্চ ২ ফাওবা মন্দলেদা ফমখি। মীফম অসিদা সভাপতি ওইনা ৱা ঙাঙখিবা লময়ানবা ইরাবতনা থমখিবা ৱাফম খরখক্তং খনগৎচরগা মীয়ামদা লাম্থোকচরি। লমায় ১৪০ শাংনা ইদুনা মহাসভাদা থমখিবা ৱাফমশিংদগী য়াম্না শমজিঞ্জনা মরু ওইবা খজিক্তং খনগৎচরগা খন্ন-নৈনবদা নুংঙাইনবা য়ামখিদ্রবা স্পেস অসিদা ইজবনি, ঙাকপীগনি। ঐহাক্না ইজরিবসিদি ইরাবত মশানা ইথোক্লগা পাথোকখিবা ৱারোল অদু ময়াম্না পাবীবদা নুংঙাইনবা খজিক্তং শেমদোক শেমজিঞ্জরগা থমজবনি। ইজরিবসি পুৱারী অমা ইবা নৎচদে, শুপ্পতগী থোকখিবা থৌদোক খরতংগী মচং ওইবা ৱাফমদা শরুক য়াজবনি।

সহকারি সভাপতি শ্রীযুক্ত ইরাবত মেম্বরগী ৱারোল : "সভাদা তিনবীরিবা ব্রাহ্মন, লাই-গুরু, অহল-লমন, ইচিন-ইনাও অমসুং ভদ্রমহিলা পূম্নমক চহী অমগী মতুংদা জাতীয় মহাসভাগী অধিবেশন অসিদা খ্বাই অমুক তিল্লরে। জাতীয় মহাসভা অসি হৌবদগী মথং শিৎনা চহী অনী জেনরেল সেক্রেটরি ওইদুনা মহাসভাগী সেবা ফংজরকই। ঙসি মণিপুরী অমসুং মণিপুরগী মপান্দা খুন্দাখ্রবা মণিপুরী জাতিগী মীহুৎশিং পূম্নমক ব্রহ্মদেশকী মন্দলে সহর অসিদগী লাপ্তুনা মণিপুরগী থায়নগী বিজয় পাতাকাগুম নিংশিংনফম কাংমুদো ফায়ানা অঙৌবা চীংদুম অমগুম চিক্না লেম্না অহিংদা লম্বী চৎপশিংবু লমতাক্লিবা, থেক্না খোয়না মনিং তম্না চেল্লিবা ইরাবতিগী ঈচেল, অরিবা মতমগী অৱাগী খূৎশা হৈবা অমসুং গৌরব নুমিৎ তাখিবগী নীংশিংনফম কোনুং, মদুগী অকোয়বদা ঈমাই চোল্লবা থাঙ্গপাৎ, য়েক্লবনা তুজুংনফম চেকমান অমসুং সনথোঙ নিংথিবা, নীংশিং নীংশিং ঐখোয় পূম্নমক ঈরৈবাক ইজাতিগীদমক পুল্লরে। স্বজাতিগী গুন লৈরবা চাওরবা সভা অসিদা ঐবু সহকারি সভাপতি ওইজৌ হায়না তাকপীবা অসিদা ঐগী থম্মোয়দা অৱা নুংঙাই য়ান্নবা ৱা-খলনা মথুম মরাং হৌই। ঐহাক্না সভা অসিগী সহকারি সভাপতি ওইবদা মতিক চাদে হায়বসি ইশামক্না খঙজে। অদুবু সনা লৈবাক ইমা মণিপুর অমসুং শ্রীশ্রী গোবিন্দজিগী কৃপাদগী ওইজবনি।

ঐখোয়গী জাতীয় মহাসভা অসি অহানবদগী হৌনা শ্রী যুক্ত মনিপুরেশ্বর মহারাজ সার চুড়াচান্দনা সভাপতিগী আসন্দা লেংশিনবীদুনা জাতিবু চাওখৎনবা লম্বীদা লমজিংবী। হন্দক শ্রীযুৎনা সনাখোঙ লেংলক্তবা অসিদা ময়াম্না নীংবা থুংবীরল্লোই। শ্রীযুৎনা খ্বাইগা উনবগী নুংঙাইবা ৱাখল মতম কুইনদগী সনা বুদ্ধিদা লৈবনি। অদুবু শ্রীযুৎ দেল্লীদা রাজেন্দ্র মন্দলগী দরবার য়াওবা সনা খোঙলেংখিবনি। ঐখোয় পূম্নমক্কী য়াইফনবা খোঙচৎনি। ইমা লৈবাক্কী গুন অমসুং ইরৈবাকচাশিংগী প্রেমনা থম্মোয়দা ঈথক হৌরবা স্বাজাতি ইচিন ইনাও পূম্নমকপু ঐহাক্না হন্না হন্না তৌবীমল খঙবা উৎচরি অমসুং ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি। মহাসভাগী পান্দম লৌউ-শিংউ চাওখৎনবা কৃষি সম্মেলনী অমা থমখ্রে। মদুগী কেন্দ্র নম্বোলদা ওইরি। চহী অসিগী সভাপতি শ্রীযুক্ত মাইমোম মধুমঙ্গোলনা সেক্রেটরি ওইদুনা থবক অপূম্বা শিন্দুনা হোৎনরি। সম্মেলনীগী থবক্তা নোংম-নোংমগী খুমাঙ চাওশিনবা, মহৈ মরোংনা থনবা মণিপুর সনা লৈবাক্তা নিংথিবা মহৈ উবা ফংবা, লায়রবশিংগী অৱাবা কোকপা লম্বীরোমদা চঙশিনবা ঙম্বগী আশা তৌরি।

মহাসভাগী অনীশুবা আধিবেশনগী রিপোর্টতা "ফ্রী হেন্দ স্কিল" 'মহাস্যজাল' কৌবা থাঙ, তা, চৈ পায়দুনা য়েক্লবনা লাকশিল্লকপদৈ ইশা ঙাকথোকচবা ঙম্বা থুপ্তুনা লৈরম্বা বিদ্যাবু লাইরিক ওইনা ইথোক্তুনা 'ব্যায়াম সমিতি অমা লিংখৎতুনা তম্বা হৌরে। রাজবংশদা পোকপা, বিদ্যা অসিমক থিদুনা পুথোরকপা সাং হৈরাংখাইথোং কৈবুংদা লৈবা শ্রীযুক্ত সনাতোম্বা সিংহ রাজকুমারনা অঙাংশিংবু তম্বীরি। অসুম্না লম লম খুদিংদা মণিপুরী বস্তি লৈরিবনা ক্লব লিংদুনা বিদ্যা অসি তম্বদা মতিক চাবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। সমিটি অসিদা শ্রীযুক্ত মনিকচান্দ সিংহ টাউন ফন্দ ওভর্সিয়ারনা সেক্রেটরি অমসুং শ্রীযুক্ত সনাহল রাজকুমারনা এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওইরি। ঙসি যুগ অনী লোন্নবা লুরবা মতম অসিদা ব্রহ্মদেশতা মণিপুরী জাতীয় মহাসভা ফল্লিবা অসি লাইবক ফরবনি। অসুক কুইরবা ইন্দিয়া অমসুং ব্রহ্মদেশ পাল্লম্বসি যুগকী অনৌবা খোংলৈদা ইন্দিয়াদগী খাইদোকখ্রগনি। মতম অদুদা ব্রহ্মদেশ অসি বৃটিশ গভর্ণমেন্টনা শাসন তৌবা লৈবাক ওইদুনসু মণিপুরীশিংগী অবস্তাদদি শোয়দনা খরা মখৈদি মহোংলগনি। মতাংসিদা মণিপুর অমসুং অতৈ ইন্দিয়াগী মণিপুরীগা ব্রহ্মদেশকী মণিপুরীশিংগা মহৌশানা ঈ-পাউ



ফাওনবা ৱাবা, ফাওনদবগুম লৈরম্বা অমসুং তিন্নরমদবগী মথক্তা অমুক্কা হেন্না তিন্নরদবা য়াই। হৌজিক মণিপুরগী মণিপুরী কয়া ব্রহ্মদেশতা লল্লোন ইতিক, থবক ইনখাং শুদুনা লৈরিবা অসি খুদোং চারদবা য়াই। মতম অদুদদি মখোয়শিং অসি ব্রহ্মদেশতা তং তানা লৈবা অমা নৎত্রগা ইন্দিয়াদা হায়বদি মরু ওইনা মণিপুরদা হল্লকপা তাই। ব্রহ্মদেশতা লৈবা মণিপুরীশিংবু আইনগী মতুংইন্না নেসনেলিটিদা ইন্দিয়ননিদি হায়ররোই, বর্মন নৎত্রগা বর্মিজ হায়খিবা তাই। বর্মিজ লৈঙাক্না চানবীগে হায়না চানবীরবদা দোমিসাইলদ ইন্দিয়ান মখৈদি হায়বিরক্কদ্রা? অসি ওইরবদা নকনা খংলাপ লাপ্পবা অমা থোক্তুনা ব্রহ্মদেশকী মণিপুরীশিংগী মশীং হান্নদগীহন্থরক্কনি। অদুম ওইরবসু ব্রহ্মদেশ অসিদা অপিকপা মণিপুর অমা শেমদুনা লৈবদা থোইনা অকায়বদি লৈরোই খল্লি। ব্রহ্মদেশতা লৈরিবা মণিপুরী অয়াম্বা মতম কুইনা মণিপুর থাদোক্লবা, ব্রহ্মদেশতা পোক্তুনা চাওরবা, অয়ূক নুমিদাং য়ূমদগী খোঙকাপ অমত্তা থাংদোকখিবদা অৱাতগা তোৎন তিন্নবা, ৱা ঙাঙনবা হায়বসিনা লৈবাকসিগী চৎনবা লোল ওইবনা মৈতৈলোল হায়বসি ইমালোলনি হায়বা খঙলবসু কাউশিল্লক্লে। অয়াম্বনা খঙদ্রে হায়বা ফাওবা য়ারে। অৱালোন কয়ামুক নীংথিনা হৈখ্রবগে হায়ববু অৱাশিংগা ঙাঙনবদগী হেন্দোকখ্রদুনা মণিপুরী মশেল লোন্নবদসু অৱালোন্না হেন্না কোম্না ঙাঙনরে। অসিদগী কনা কনাগুম্বনা মৈতৈলোল ঙাঙবদা ইকায়বা ফাওবা য়াওরক্লে। মসিদগী হেন্না খনবদা ৱাবা অমা করি লৈরমখিগদগে? জাতিগী লোল হায়বসিনা জাতিদুবু ফাজিন্নবা অকনবা থৌরিনি অমসুং চাওখৎনবগী লুরবা থাক্লি। ঐখোয়গী জাতিগী লোল, ঐখোয়না পোকপদগী ইমাগী তম্পাক্তা তল্লকপা 'ইমা' হায়বদগী হৌদুনা লোল্লক্লবা নুংশিরবা লোল অসিবু নিংথিনা কনবা ঙমদ্রবদি ঐখোয়গী জাতি অসি মাঙখ্রগনি হায়বদা চিংনবা লৈরোই। অসিগুম্বা অবস্তাদা ঐখোয়না ইমালোল কন্নবগী মরমদা মহাসভাগী অহানবা মীফমদা লেপ্পখিবা ৱারেপ ব্রহ্মাদেশতা থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমদ্রিবমখৈ লোল চাওখৎহনবদা অৱাবা ওইখিগনি।

সভা অসিদা ইচিন ইনাও খ্বাই উন্নবা অসি থায়নগী মণিপুর লৈবাক কায়বগী ইতিহাস নীংশিংলুরগা পূক্লিংদা অৱাবা পোক্লবসু অৱা অমসুং মণিপুরী জাতি অনীনা নুংশিননা তিন্নবসি উবদা নুংঙাই। জাতি অনীগী মমাঙঙৈদগী নুংশিনবা অসি তৎনদনা অমসুং পুকচেল খোইজেল তিন্নবা অসি চেৎশিন্নবা আশা তৌই। মতমগী খোঙলৈ, যুগকী পোইরৈ মতুংইন্না চহী চা কয়াগী মমাঙদগী কায়নখ্রবা খোঙ্গুল মুৎখ্রবগুম লৈখ্রবা ঐখোয়গী জাতিগী ইপা ইপু, ইচিন ইনাওশিং মথং মথং খঙনরকপা উন্নরকপা পূক্লিংগী ৱা হোদোক্লবা ঙল্লকপা অসিদা পূক্লিংদা হায়ফম খঙদনা নুংঙাইবগী ঈথক হৌরকই। মণিপুর মচা ইচিন ইনাও, ইচে ইনেম পূম্নমক! মণিপুর ইমানা মচাশিংবু কাউদে, ইচিন ইনাওশিংনা লাকপা ঙাইদুনা কুইনা কায়নখ্রবা মচাশিংবু ফংবগী হরাও তুজুংগা লোয়ননা পাম্বোম তিংথোক্তুনা তরাম তরাম্না ওক্কনি। ঐখোয়না চীং তুরেল অমদি সমুদ্র কয়া লান্দুনা ইচিন ইনাও, ইচে ইনেম, ইচনশিং উন্নরুনি হায়দুনা লাকচরিবনি। নোংচুপ্তা লাপ্পা লৈহৌরিবী লাইবক থীবী মচাগী মপান চাদ্রবী মাতৃভুমি না শম্না ইফা ফা, মোৎলবা শেগাইরবা ফনেক নমখাংনা ফিজেৎ ওই, তত্তনা মিৎতা পিনা ইরা হৌ, তেংথা নাওই খোঞ্জেন্না মমায় নোংপোক ওন অৱাংবা চীংদোন কয়ানা য়েক্লবা ওইনা থৎতুনা মচাশিং মাঙখিবা থিবদি লাকপা ঙমদা, লৈরি হায়বদি তা নুংশিরবা মচাশিংগী মপাউ হংগদবগী ঙাইদুনা লৈহৌরিবসি অমুক্তং হন্না য়েংসি। খ্বাই পূম্নমক উনজরগা ইমাগী নাক্তা হনখিবদা মচাশিংগী পাউ হংলবদা লমদম তাম্না লৈরবসু নচাশিং পূম্নমক লাইবক থীরবী ইমাবু কাউদ্রি, পূম্নমক পুকচেল তিন্ননা অমত্তা ওইনা ইমাগী সেবা তৌগদবগী হোৎনহৌরে হায়না হরাওনা পাউ তমজনীংই।"

"কুমসি মহাসভাগী ৩শুবা আধিবেশন্দা লমদম তাম্না তাম্না লৈনখ্রবা খ্বাই পূম্নমক তিন্নদুনা অৱা নুংঙাইগী ৱারী তৌনবদা জাতিগী নুংশিনবা থৌরিনা পুনন‌রিবা চেৎশিল্লকইবা অসি কায়দবা, জাতিগী সেবাদা পূক্লিং লোংদবা অসিগুম ওল্লকপা চহীগী ৪শুবা আধিবেশন্দা নুংশিজরবা ইচিন ইনাওশিং পূম্নমক অমুক তিন্নদুনা পোম্বীগুম চিল্লোক্না, চেল্লাগুম চাক্তামিন্নদুনা অৱা নুংঙাইগী ৱারী তৌনবা, খ্বাই পূম্নমক অনা অয়েক লৈতবা, ইমা লৈবাক্কী সেবাদা পুমিন্নবা শ্রীশ্রী গোবিন্দজিনা কৃপা তৌবীবা ওইসনু। ব্রহ্মাদা লৈবীরিবা অমসুং অতৈ মণিপুরী পূম্নমক্তা হায়জরি - পূক্লিংগী নুংঙাইনদবা থাদোকপীয়ু, ঐখোয়গী নুংশিজরিবা জাতিবু কননবা হোৎনবদা অমত্তা ওইনা পুকচেল তিন্ননা চঙবীয়ু অমদি অৱাবা খরদংদি খাঙবীয়ু; থবক খুদিংমক্তা খূৎমান্ননবা ৱাশক লৌমিন্নসি"। ●

"বন্দে মাতরম"

## ষ্টেটকী পাউ

# য়ু সী এমগী হান্নগী প্রসিদেন্ট য়ূম্নাম নবচন্দ্র শোয়দনমক মীরেপ ওইদুনা মীখল থেংনরগনি লাউথোকখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্লবা য়ানা লৈরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিলেসটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা ৩২-ৱাংখেম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্দিদা য়ু সী এমগী হান্নগী প্রসিদেন্ট য়ূম্নাম নবচন্দ্র শোয়দনমক মীরেপ ওইদুনা মীখল থেংনরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। দিমোক্রেসিবু হেন্না মপাঙ্গল কলহন্নবা চপ চাবা দিমোক্রেটিক স্পিরিটতা মীখল অসি কন্টেষ্ট তৌনগনি হায়বা ৱাফমসু নবচন্দ্রনা থল্লক্লি।

হান্না য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট ওইদুনা লৈবাক মীয়ামগী লুচিংবা অমগী থৌদাং কয়া লৌরক্লবা মতুং পোলিটিক্সতা খোঙদারকখিবা ৱাই নবচন্দ্রনা মহাক্কী ফিরেপ অদু ৱাংখেম এ সীগী পোল্লিং নম্বর ৩২/১২ ফৌদেল মমাঙ লৈকায়দা পাঙথোকপা মীয়াম তিনবা থৌরম অমদা ময়েক শেংনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৭কী মীখলদা ৱাই নবচন্দ্র এন ঈ আই দি পিগী টিকেটতা মীখল থেংনবদা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা আই এন সীগী কৈশাম মেঘচন্দ্রদগী ভোট মশিং খজিক্তদা মায় পাকপা ঙমখিদবনি। হন্দক্কী মীখল অসিদদি লৈবাক্না শকখঙলবা পোলিটিকেল পার্টি অমদা মীরেপ ওইনবা থৌরাং তৌরগা লৈরিবনি হায়রি।

পোলিটিকেল রাইটস অমসুং সিভিল লিবর্টিজগী খেন্নবা নীংথিনা খঙলবা নবচন্দ্রনা থৌরম অদুদা হায়, ৱাংখেম এ সীগী মীহুৎ ওইখ্রবশিংনা ঙসি ফাওবদা পাঙথোক্তবা তোপ তোপ্পা থবক খরা মহাক্না মীহুৎ ওইরবা মতমদা পাঙথোক্কে খল্লি। খুন্নাইদা নহাশিংনা লৌরিবা থৌদাং মহাক্না মুন্না খঙই হায়বা ৱাফম থল্লদুনা নবচন্দ্রনা মহাক্না মীখল মায়োক্লগদৌরিবা অসি নহাশিংদা হেন্না ফোকস পীগনি। লাইরিক-লাইশু হৈরগা মশাগা চানবা থবক ফংদ্রিবা নহাশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙগনি হায়খি।

লায়রবা ইমুং অমদি মাইনোরিটি মুসলিমশিংনা নম্না খুন্দাবা ৱাংখেম এ সীনি। লায়রবা মুত্থৎপা অমদি মাইনোরিটিশিংগী ফিভম ফগৎহনবা অসি মহাক্কী পান্দম্নি। ঈথৈ লৌখোং শেমজিল্লগা চহী চুপ্পা পোথোক-চাথোক লৈহন্দুনা মীপান তাংদনা হিংজনবা থৌশীল পায়খৎকনি হায়বা ৱাফমসু নবচন্দ্রনা থমখি। পনবা য়াবদি, ফৌদেল মমাঙ লৈকায়গী থৌরম অদুদা ৱাই নবচন্দ্রগী লীচিং মখাদা ৱাংখেম এ সীগী পোল্লিং খূদিংমক্কী নৌনা পোল্লিং কম্মিটিশিংসু শেমখি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): লিলোং ম্যুনিসিপাল কাওন্সিলগী এক্স-ভাইস চ্যেরপর্সনগী থৌসু পুরম্বা ৱার্দ নম্বর-৬কী এক্স-কাওন্সিল্লর সেরাম সনাতোম্বনা ঙরাং ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা কাওন্সিল অসিগী এক্স-কাওন্সিল্লরশিং অমদি ষ্টাফশিংনা মিনিট ২ তূমীন্না লৈদুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

লংথবাল কুঞ্জদা লৈবা কাওন্সিল অসিগী এক্স-চ্যেরপর্সন লমাবম লালমনিগী য়ূমদা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অদুদা কাওন্সিল অসিগী এক্স-চ্যেরপর্সন এল লালমনি, এক্স-কাওন্সিল্লরশিং, ইগজেক্যুটিভ ওফিসর মুংভা ভিক্টর অমদি ষ্টাফ কয়াসু শরুক য়াখি।

অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অদুদা লিলোং ম্যুনিসিপাল কাওন্সিলগী ৱার্দ নম্বর-৫গী এক্স-কাওন্সিল্লর অরাম্বম উর্মিলানা হায়, ৱার্দ নম্বর-৫গী টর্ম অনীরক কাওন্সিল্লর ওইরম্লবা মশাগী চহী ৫৫ রোমতা ঙাইরিবা এস সনাতোম্বনা মনুং-মতম চাদনা লৈখিদবা অসি কাওন্সিল অসিগী মীওইশিংনা নুংঙাইতবা ফাওই হায়খি।

**APOLLO ACADEMY**
*Moulding Medical & Engineering Career*
**ADMISSION OPEN**
**Regular Course for Medical (NEET-UG) & Engg.(JEE)-2022**
*Eligibility - Class XII passed*
**Class commencement**: To be notified later (Offline Class)
**DIRECT ADMISSION WITH FREESHIP ON OR BEFORE 30TH SEPT. 2021**
* 91% MARKS & ABOVE IN CLASS X-2019 (BOSEM) / CLASS XII - 2021 (COHSEM)
* 95% MARKS & ABOVE IN CLASS X-2019 (CBSE) / CLASS XII - 2021 (CBSE)
**DIRECT ADMISSION WITH CONCESSIONAL FEE ON OR BEFORE 30TH SEPT. 2021**
* 85% MARKS - BELOW 91% (FEE CONCESSION - 20% )
* 75% MARKS - BELOW 85% (FEE CONCESSION-15%)
* SPECIAL CONCESSION TO ST/PYSICALLY CHALLANGE / MOBC STUDENTS
*SPECIAL FEATURES :*
* TEST SERIES ON EVERY SUNDAY
* CHAPTERWISE TEST ON EVERY MONTH
* PRACTICE SESSION ON EACH CLASS
* FOUR MOCK TEST FOR EACH 11 SC. AND 12 SC. NEET SYLLABUS
* ONE MEGA MOCK TEST ON WHOLE SYLLABUS
COVID-19 VACCINATION CERTIFICATE AT LEAST FIRST DOSE IS MANDATORY
LODGING FACILITIES FOR BOYS & GIRLS
*FOR DETAILS :* PLEASE CONTACT APOLLO OFFICE, NEAR AMUCO OFFICE KWAKEITHEL BAZAR, IMPHAL - 795001
HL-B/7161/16 Sept. to 1st Oct.

**ꯊꯕꯛ / 81 JOB VACANCY AVAILABLE**
Manipurgi manungda oigadaba houjik houjikmak darkar oiriba tongan-tonganba official post 81 (Male 44 + Female 37) gidamak candidate singdagi athubagi oina thabak koujari. Mashagi chahi 35 gi manungda leiba Class X, XII, Graduation pass touraba amadi tamliba meeoisingna thabak asi apply toubiraba yagani.
Monthly Income : 10,000/- to 37,000/-
Facilities : Fooding + Lodging Available
**"NO DEPOSIT REQUIRED".**
Apply toubiningba meeoisingna athuba matamda ishagi Biodata ga loinana tannabiu.
HL-P/6953/6-16 (alt)&20 **Contact : 9774986962, 8812023893**

**ꯂꯝ ꯌꯣꯟꯖꯔꯤ/লম য়োঞ্জরি**
লংথবাল কুঞ্জ ময়াই লৈকাইদা National Highway দগী 100 metre রোম চংশিল্লগা লম্বীগা ফুট ৮৮ গুম্বা তাইনবা য়েৎন-খোৎনবা লৈতবা 0.30 acres (30 points) পাক-চাউবা লম অমা অথুবগী ওইনা অহোংবা মমলদা য়োঞ্জরি। তংখাই অমতং ওইনা লৈবিগে হায়রসু য়াগনি। No brokers please.
HL-P/9517/14,15,16 **Contact: 9612159826**

**ꯃꯥꯡꯈꯔꯦ / CERTIFICATE LOST**
I have lost my Original Certificate of HSLC Examination 1999 for (Supplimentary Candidate) bearing Roll No. 12296 issued by BOSEM on the way between my residence and Ahallup Makha Leikai on 13th September, 2021.
Finders are requested to handover the same to the undersigned.
Sd/- **L. Landhoni Devi**
HL-P/9519/16 Heingang Awang Leikai, # 9856720045

**ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯕ / নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি**
চহী খরগী মমাংদগী ঐ অসি দাইবেটিসকী অনাবা ফবা ঙমদদুনা লৈরম্বদু Soubam (Lucky) Lakpati Singh গী লায়েং মখাদা Keishamthong Elangbam Leikai, Lairembi Makha দা লৈবা মহাক্কী হীদাক Indradhrum অয়ুর্ভেদিককী হীদাক চারুবদগী ঐগী দাইবেটিসকী অনাবা অসি নুমীৎ ১৫নিদা নোর্মেল ওইদুনা ফবা ঙল্লে। মহাক্না অনৌবা মপোক অমা পোকপীরে। মসিগীদমক ঐনা পাউচেগী মতেং লৌজরগা থাগৎপা অমসুং তৌবীমল খঙবা উৎচরি। মীয়ামগী সেবা কুইনা শাংনা তৌবা ঙম্বা ওইবীয়ু।
**Sd/- Mr. Aheibam Babu Singh**
HL-P/0055/16 Nambol Makha Leikai, #7005086969

**ꯃꯥꯡꯈꯔꯦ/CERTIFICATE LOST**
I have lost my Original Certificate for passing out of Diploma in Pharmacy in the year 2000 issued by Manipur University on the way in between Thoubal and Imphal on 10th August, 2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.
Sd/- **Swamee Ningombam**
Thoubal Kshetri Leikai
PO & PS - Thoubal, PIN No. 795138
# 8787790456
HL-P/0063/16

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।